# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা করম্বা রিজার্বেসন মওং চৎনগদগে?

— ডা. য়ূমখাইবম রাজেস —

***হৌখিবা*** চয়োল খরসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মীং চনবগী রিজার্বেসনগী চয়েৎনবনা মরম ওইরগা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম ওইরিবা মফম অমা পুমথিং থিংদুনা থম্বা হায়বসি য়াম্নমক্কী লাইবক থীবনি। কুমজা ২০১৬-১৭ কী একাদেমিক সেসন হৌবা য়াদনা লৈরি। অহোয়ননা থার্দ সেমিষ্টরগী মহৈরোয়শিংগীসু ক্লাস তৌবা য়াদদুনা লৈরে। ফোর্থ সেমিষ্টর থাখ্রবশিংসু মখোয়গী অরোইবা এম এ, এম এস সি দিগ্রি লোইশিন্নবা দিজরটেসন সবমিট তৌবা য়াদদুনা লৈরি। অকক্লবা থৌরাং অমা মতম চানা শেমহৌদ্রগদি মহৈরোয় চা কয়াগী কেরিয়র মাঙবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। মসিনা তুংদা ষ্টেট অসিগী অমসুং ফুরুপকী অচৌবা মাঙজবা ওইরক্কদৌরিবনি। মহৈরোয়শিং অসি তুংগী ফুরুপকী য়ূম্বীনি অমসুং আশানি। এম য়ুগী রিক্রিয়েসন হোল অমদি থংননা লৈবা য়ূম, দুকান কয়া ওক্টোবর ৩ গী নুমিদাং অথেংবদা উৎ ওনখিবা, ৱাথোক অসিগা মরী লৈনবনি হায়বসি নীংশিংনিংঙাই ওইরি। মীং চনবদা রিজার্বেসনগী ৱাফম অসি একাদেমিক সেসন ২০১৩-১৪ দগী হৌরকখ্রবনি। ৱাথোক অসি ঙসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রি অমদি একাদেমিক এটমোসফ্যেরবু হেন্না হেন্না অৱাবা ফীভমদা তাহল্লকখিবা অসিগুম্বা মওং অসি তুংদা অমুক হন্না থোক্লক্লোই হায়না আশা তৌই।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি পার্লিয়ামেন্টনা (মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট ২০০৫) শকখঙলবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমনি হায়বসিদি মীয়াম্না য়ানরবা ৱাফমনি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অমনা ইনগদবা রিজার্বেসন নোর্ম তাল্লিবসি "The Central Educational Institutions (Reservation in Admission) Act. 2006" শম্না CEI Act. 2006 [... An act to provide for reservation in admission of students belonging to Schedule Caste, Schedule tribes and the other backward classes of citizens, to certain central educational institutions established, maintained or aided by the central Government, and for matters connected therewith or incidental thereto' অমসুং The central educational institutions (Reservation in Admission) amendment Act, 2012" শম্না (CEI amendment Act 2012) [an Act to amend the central educational institutions (Reservation in Admission) Act, 2006 অসিনি।

CEI Act 2006 গী Section 3 clause (i) (ii) অমসুং (iii) না হায়রিবসি ঃ-

সেন্ত্রেল এদ্যুকেসন ইনষ্টিট্যুটশিংদা মীং চনবদা সিট রিজার্ব তৌবগী মওং অসি মখাগী অসুম্না ওইগনি মদুদি ঃ

(i) ফেকলটি নৎত্রগা ব্রাঞ্চ ওফ ষ্টদি খুদিংমক্কী চহীগী লৌরিবা অপূনবা সিটকী চাদা তরামঙা (১৫%) দি সেদ্যুল কাষ্টকী রিজার্ব তৌগনি।

(ii) ফেকলটি নৎত্রগা ব্রাঞ্চ ওফ ষ্টদি খুদিংমক্কী চহীগী লৌরিবা অপূনবা সিটকী চাদা তরেৎ মখায় (৭.৫%) দি সেদ্যুল ত্রাইবকী রিজার্ব তৌগনি।

(iii) ফেকলটি নৎত্রগা ব্রাঞ্চ ওফ ষ্টদি খুদিংমক্কী চহীগী লৌরিবা অপূনবা সিটকী চাদা কুনতরেৎ (২৭%) তি অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসকী রিজার্ব তৌগনি।

সেক্সন ৪ ওফ সি ঈ আই এক্ট ২০০৬ না অসুম্নসু হায়রি ঃ

সেক্সন ৩ গী প্রোভিজনশিংদা হায়রিবশিংসি চৎনরোইদবনি ঃ

(a) কনষ্টিট্যুসনগী সিক্স সেদ্যুল চৎনবা ত্রাইবেল এরিয়াশিংদা লৈবা সেন্ত্রেল এদ্যুকেসনেল ইনষ্টিট্যুসনশিং;

(b) হেন্দোক থোইদোকপা ইনষ্টিট্যুসনশিং (Institution of Excellence) রিছার্স ইনষ্টিট্যুটশিং, এক্ট অসিগী সেদ্যুলদা পীরিবা Institutions of National and Strategic importance শিং (সেদ্যুল মখাদা য়াওরি), মদুসু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা তঙাইফদে খল্লগদি ওফিসিয়েল গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা সেদ্যুলদু শেমদোক্কনি ;

(c) এক্ট অসিনা তাকপা মাইনোরিটি এদ্যুকেসনেল ইনষ্টিট্যুসনশিং;

(d) অৱাংবা থাক্কী অখন্নবা কোর্স নৎত্রগা প্রোগ্রাম (high level of specialization), সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা এপ্রোপ্রিএট ওথোরিটিগা তানদুনা শক্তাক্লবা ফেকলটি নৎত্রগা ব্রাঞ্চ ওফ ষ্টদি অমগী মনুং চনবা পোষ্ট ডোক্তরেল লেভেলশিংদা,

সেদ্যুল

[See Section 4(b)]

S.No. Name of the Institutions of Excellence, etc.

1. Homi Bhabha National Institute, Mumbai and its constituents units, namely
   - (i) Bhabha Atomic Research Centre, Trombay;
   - (ii) Indira Gandhi Centre for Atomic Research, Kalpakkam;
   - (iii) Raja Ramanna Centre for Advanced Technology, Indore;
   - (iv) Institute for Plasma Research, Gandhinagar;
   - (v) Variable Energy Cyclotron Centre, Kolkata;
   - (vi) Saha Institute of Nuclear Physics, Kolkotta;
   - (vii) Institute of Physics, Bhubaneshwar;
   - (viii) Institute of Mathematical Sciences, Chennai;
   - (ix) Harish-Chandra Research Institute, Allahabad;
   - (x) Tata Memorial Centre, Mumbai.
2. Tata Institute of Fundamental Research, Mumbai.
3. North-Eastern Indira Gandhi Regional Institute of Health and Medical Sciences, Shillong.
4. National Brain Research Centre, Manesar, Gurgoan.
5. Jawaharlal Nehru Centre for Advanced Scientific Research, Bangalore.
6. Physical Research Laboratory, Ahmedabad.
7. Space Physics Laboratory, Thiruvananthapuram.
8. Indian Institute of Remote Sensing, Dehradun.

হায়রিবা সি ঈ আই এক্ট ২০০৬ কী সেক্সন ৪ গী ক্লোজ (এ) (বি) (সি) অমসুং (দি) অমত্তগী প্রোভিজনশিংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কোনশিনদে। অদুনা এম য়ুনা সি ঈ আই এক্ট ২০০৬ কী সেক্সন ৩ গী ক্লোজ (i), (ii) অমসুং (iii) হায়বদি এস সিগী ১৫%, এস টিগী ৭.৫% অমসুং ও বি সিগী ২৭%, তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী কোর্সশিং তম্বগী মীং চনবদা চৎনবা হায়বসি তশেং তশেংনা মশানা তাজরবা ৱাফমনি।

সি ঈ আই এক্ট ২০০৬ (প্রিন্সিপাল এক্ট) অসি শেমদোক্লবা "The Central Educational Institution (Reservation in Admission) Amendment Bill 2010 অসি ২০১০ গী ওগষ্ট ৬ তা রাজ্য সভাদা পুথোকখি। মচং ওইবা শেমদোকপা অনী য়াওই। (শ্রী ওস্কার ফর্ণান্দেজনা চ্যেরমেন ওইবা Parliamentary Standing Committee on Human Resource Development কী মতুং ইন্না) সিক্স সেদ্যুলনা কোনবা ত্রাইবেল এরিয়াগী ও বি সিগী রিজার্বেসন শেমদোকখি, অমনা এক্ট অসি মপূং ফানা চৎনহনবগী মতম-লায়াৎ শাংদোকহনখি। মতুং তারকপদা, বিল অদু এক্ট ওন্দুনা কুমজা ২০১২ জুন ১৯ দগী চৎনখি অমসুং "The Central Educational Institutions (Reservation in Admission) Amendment Act, 2012" হায়না কৌখ্রে।

সি ঈ আই এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১২ গী সেক্সন ২ দা অসুম্না হায়:

Central Educational Institute (Reservation in Admission) Act 2006 (মতুং তারকপদা প্রিন্সিপাল এক্ট হায়রগনি) কী সেক্সন ২ ক্লোজ (i) গী মতুংদা মখাগী অসি হাপচিনগনি, মদুদি ঃ

(ia) "Specified north-eastern region" হায়বসিনা Arunachal Pradesh, Manipur, Meghalaya, Mizoram, Nagaland, Sikkim, Tripura অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী সিক্স সেদ্যুলনা কোনবা আসামগী ত্রাইবেল এরিয়াশিংবু খঙনগনি।

(ib) "State Seat" হায়বসিনা সেন্ত্রেল এদ্যুকেসনেল ইনষ্টিট্যুসন অদুগা মরী লৈনবদা, করিগুম্বা ইনষ্টিট্যুট অদুনা লৈরিবা ষ্টেট অদুদগী তম্বা য়ারবা মহৈরোয়শিংগীদমক, ফেকলটি নৎত্রগা ব্রাঞ্চ ওফ ষ্টদি অমদা চহীগী অপূনবা লৌরিবা সিট মশীংদুগী মনুংদা খাক্তুনা থম্বা অদুতংবু খঙনগনি।

সি ঈ আই এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১২ সেক্সন ৩ দা হায়রিবনা প্রিন্সিপাল এক্টকী সেক্সন ৩ গী প্রোভিজনশিংদা মখাগী অসি হাপচিনগনি মদুদি ঃ

কনষ্টিট্যুসনগী সিক্স সেদ্যুলনা কোনবা ত্রাইবেল এরিয়াদা লৈবা সেন্ত্রেল এদ্যুকেসনেল ইনষ্টিট্যুট অমদা ষ্টেট সিট লৈরবদি ইনষ্টিট্যুট অদুনা লৈরিবা ষ্টেট অদুগী গভর্ণমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেট নোটিফিকেসন্দা অখন্ননা ফোঙদোক্লবা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব অমসুং অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসকী রিজার্ভেসন পোলিসি অদু চৎনগনি।

মখা তানা হায়রি মদুদি, করিগুম্বা সেন্ত্রেল এদ্যুকেসনেল ইনষ্টিট্যুট অমদা ষ্টেট সিট লৈত্রবা অমসুং সেদ্যুল কাষ্টকী রিজার্বনা clause (i) না পীরিবদগী হেল্লবা, সেদ্যুল ত্রাইবকী রিজার্বনা clause (ii) না পীরিবদগী হেল্লবা নৎত্রগা কাষ্ট অমসুং ত্রাইব অপূনবগী রিজার্বনা clause (i) অমসুং (ii) না পীরিবা অপূনবদগী হেল্লবদি তৌইগুম্বসুং সিটশিং অদুনা

a) চহীগী পীরিবা এক্ট অসি চৎনবা হৌবা হেক মমাঙদা অপূনবা মশীংগী চাদা য়াঙ্খে (৫০%) দগী তারবদি অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসকী clause (iii) দা পীরিবা রিজার্ব সিট অদু clause (i) অমসুং clause (ii) গী হেনগৎলক্লিবা অদুগা লোয়ননা চাদা য়াঙ্খে (৫০%) য়ৌবা ফাওবদমক ওইরগনি।

b) এক্ট অসি চৎনবা হৌবা হেক মমাঙদা চহীগী পীরিবা অপূনবা মশীংগী চাদা য়াঙ্খে (৫০%) দগী হেল্লবদি, ও বি সিগী রিজার্ব সিট অদু লৈররোই অদুমকপু Specified north-eastern region দা লৈবা সেন্ত্রেল এদ্যুকেসনেল ইনষ্টিট্যুসনশিংদদি সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবকী লৈখিবা রিজার্ব সিট মশীং অদু হন্থরোই।

ঙসি ফাওবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ষ্টেট সিটসু লৈত্রি, কনষ্টিট্যুসনগী সিক্স সেদ্যুলনা কোনবা ত্রাইবেল এরিয়াদা লৈবসু নত্তে। মরম অদুনা সি ঈ আই এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১২ গী সেক্সন ৩ দা হাপচিল্লকপা অহানবা প্রোভিজো অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগীদমক চন্নফম লৈতে হায়বা তশেং তশেংলে।

অনীশুবা প্রোভিজোনা পল্লিবা, ষ্টেট সিট লৈতবদা clause (i) না পীরিবা এস সিগী রিজার্ব সিটতগী হেল্লবা হায়বদি ১৫% দগী হেল্লবা clause (ii) না পীরিবা এস টিগী রিজার্ব সিটতগী হেল্লবা হায়বদি ৭.৫% দগী হেল্লবা, কাষ্ট অমসুং ত্রাইবকী অপূনবা রিজার্বনা clause (i) অমসুং (ii) গী অপূনবদগী হেল্লবা হায়বদি ২২.৫% দগী হেল্লবা, হায়রিবশিং অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওইনদি সি ঈ আই এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১২ অসি হেক চৎনবা (জুন ১৯, ২০১২) গী মমাঙ ২০১১ দা SC- 15%, ST- 7.5%, OBC - 27% অসি সি ঈ আই এক্ট ২০০৬ কী মতুং ইন্না চৎনদুনা লাকখি, হেনগৎপা অমত্তা লৈখিদে।

মরম অসিনা সি ঈ আই এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১২ গী সেক্সন ৩ দা হাপচিল্লকপা অনীশুবা প্রোভিজো অসিগীসু চন্নফম লৈতে হায়বসি তশেংনা চুম্লবা ৱাফমনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা করম্বা রিজার্বেসন নোর্ম ইনগদগে?

মরম অসিনা সি ঈ আই এক্ট ২০০৬ অমসুং সি ঈ আই এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১২ অনী অসি কুপথনা নৈনরবা মতুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট/য়ু জি সিদগী চাদা চাম্মা (১০০%) গ্রান্ট লৌরবা ওইবনা সি ঈ এক্ট ২০০৬ অমসুং সি ঈ আই এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১২ অসিমক চপ চানা ইনবনা অচুম্বা ওইগনি, হায়বদি এস সিগী চাদা ১৫, এস টিগী চাদা ৭.৫ অমসুং ও বি সিগী চাদা ২৭ অসি HRD Ministry/UGC দগী মখা তাবা নোটিফিকেসন লাকত্রিবা ফাওবা চৎনবা চুমগনি। ৱাখৈজরিবা অসি মীচং শঙ্গগী ৱাফম নৎচদে, অচুম্বা থম্মোয় শেংবগা লোয়ননা এক্ট অসিগী মহৌশা চৎন-কাঙলোন্দা মিৎয়েং চুম্না পীবা অচম্বা ৱাহন্থোক্তা য়ূম্ফম ওইরগা হায়জবনি। পুকচেল শেংনা পূম্নমক্কী মফমদা হায়জরি মদুদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিজার্বেসনগী ৱাথোক অসি য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মহৈরোয় চা কয়াগী তুংলমচৎ কনবীয়ু। পনগায়দ্রিঙৈ পনশেমহৌসি। য়ুনিভর্সিটি অসিবু কনসি হায়রবদি হয়েংদি থেংমল্লগনি। পূম্নমক ইং তপ্না ৱাতেম্নরগা লৈখায় তানবা য়াগনি।

---

# পুন্সিগী অৱা নুংঙাই

**থোকচোম থম্বালঅঙৌ**

***তাইবঙ*** মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সিসি খরা অমনা নুংঙাই য়াইফনা লৈ, খরা অমনা ৱানা লৈ হায়বা তাই। মপা-মপু হান্নদগী হৌনা কৈরাক থারকপা হায়বসি লৌ-ইশ্খোলদা, পৈশা-নুংশা ৱাৎতবা, শেৎনীংবা শেৎপা, ইন্নিংবা ইনবা, তোংনীংবা তোংবা অদুগা অমনা হান্নদগী হৌনা লায়রনা হৌরকপা লৌ-ইশ্খোল লৈতবা, শেল-থুম মতিক চাদবা, শেৎনীংবা, চানীংবা, তৌনীংবা ঙমদবা কয়াসু লৈরিবনি। অদুনা পুন্সি হায়বসি অৱা-নুংঙাই অনীনা পুল্লগা শেম-শাবনি হায়বদা থোয়না কায়রোইদ্রা খঞ্জে। থম্বাল অনী শাৎলি অনী পূন্না হেক্লিংই, য়াদে। অদুবু ঙসি নুংঙাইনা ৱাৎতা পাদবা নিংথৌগুম্না পাল্লম্বা মীওইদু হয়েংনা লায়রবা চাক্লিবা ওইরকপা অদুগা অৱা অনাতনা য়োম্লগা লৈরম্বা মীওইদুনা অমুক নিংথৌগুম্না ওইরক্তুনা ৱাৎতা পাদবা ওইরকপসু লৈতবা নত্তে। পুন্সিসি ঙসিনা করি, হয়েংনা করি ওইরক্কনি হায়বা ঙম্বা নত্তে হায়বদা থোইনা লানগদবা মান্দে। অদুনা ঙসি শিনি পাউজেলদে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে হায়নরিবা থায়নগী পাউরৌ অসি চুমখ্রবা ৱানি। অরৈবনা লৈতববু উশিৎতবগুম্বনি। অদুবু লৈতবা মীদু কন্না হোৎনরবদি মাসু নোংমদি শোয়দনা মায় পাক্কনি খঞ্জে। তাইবঙসিদা শুনীংদবগী মফম লৈতে হায়নরিবনি। ঙসি মালেমসিদা ফাওখ্রিবা মীওই কয়াগী পুন্সি ৱারী পারুরগা ঐখোয়না লায়না খঙবা ঙমই মহাক কমদৌনা পৈশা পায়বা মী অমা ওইদুনা মায়পাকপা মী ওইরকখিবনো? মীৎ উদ্রবী হেল্লেন কিল্লর নীংশিংবা য়াই। মণিপুরগী ওইনা শৈশকপী মন্দাকিনিগী নুংশিরবা শৈহেক শৈদাদা মীয়াম্না পাম্নরি। মীওইবা ঐখোয়সি হোৎনরবদা ঙমদবা লৈতে হায়বসিমদি কাউদবা ফৈ। ঙসি আই এ এস, আই পি এস কয়া ফাওগৎনরক্লিবা অঙাংশিং অসি থাগৎতবা ঙমদে। চহী কয়া চঙনা ফংগে খন্না হোৎনরকপগী মহয়নি মখোয়না ফংজরিবা। হোৎনবগী মখা পোল্লি। ইঙা-ইঙেন্দা লৌবুক্তা লৌ থাহৌদ্রগা পোইনুদা কদাইদগী ফৌনো লাক্কদৌরিবা?

মতাংসিদা নীংশিংবা য়াই, এজ য়ু সো, সো সেল য়ু রিপ, নঙনা থাবা মহৈ মরোং নঙনা শোয়দনা লোক্কনি অদুবু করিগুম্বা নেচরেল কেলামিটি লাক্তুনা শোয়খ্রবদি শোয়খ্রে। অদুগা খঙ-উরিবা মহৈদি মাঙবা কৌবা লৈরোই কৈদৌনুংদা। হাপচিনবগী থনবা নাইদবা লৌথোকখিবগী ময়েং তাদবা লনদি মহৈতনি হায়নরিবনি। মসি চাম্মদা চাম্মা চুমখ্রে। মতাংসিদা থমজনীংবা অমনা অঙাং ওইবা য়াই অহল ওইবা য়াই অখঙবনা ওজানি। পুন্সিদা অৱা নুংঙাই থেংনরক্ত্রবা মীদুদি মী নত্তে। শেল ময়েক্কী মমাই অনী পানবগুম্বনি থাদোক্লবা য়াদ্রবা পুন্সিগী লম্বী চৎপদা। অদুনা লৈখোম থোকপা লম্বী নৎত্রগা উফুল হৌবা লম্বী ওইরগদি খরা চেকশিনবা তাই। চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, ফাদোক্লগা ফরা শাই। অৱাবা খক্তসু থুংলোই, নুংঙাইবা খক্তসু ওইরোই। নুংঙাইনা লৈজরম্বা মহাক্তু করিগুম্বা ফৎত্রবা লায়না অমনা নাবা তারবদি কমদৌবা। লায়নাদু লায়েংবদা পৈশাসু লোইগনি, মমৈথংদা কান্নবা ফংদনা তোক্কনি। অশিবগী খায়াৎতা তাগনি। মতাংসিদনি শেলসু লোইরে, মীসু লোইরে হায়নরিবসি। অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তা। ব্লদ কেন্সর, অর্থ্রাইটিস, বোন কেন্সর, ব্রেন ট্যুমর হায়রিবা লায়নাশিং অসি য়াম্না শাথিবা লায়নাশিংনি। লায়নাশিংসিনা নারে খঙলবা মীওইশিংগী ৱাখলদা কৈদৌনুংদা মশা নুংঙাইবা হৌনদে। কৈদৌঙৈনো শিগদবা, মসিদগী হকচাং শোকপা হেনজিল্লকই। করি নুংগী লায়নাসিনা ঐবু নাহনবীরিবনো? করি পাপ তৌরুবগীনো নহানমুক্কী মপোক্তা হায়না খঞ্জে। হয়েংমুক্কী মপোক্তদি অসিগুম্বা লায়নাসি নাজরোহৈকো। মসিনা অসুম লমজিংখিদুনা অৱাবা নুংঙাইতবা ওইরকই। চারবসু চানা, শেৎলবসু শেৎনা নুংঙাইফম লৈতে। অশিবগী খয়াৎতা তাখি। শিগদবা মতমবু য়ৌরক্লবদি কনানসু খাম্বা ঙম্লোই। পোক্লবদি শিবা তাবনি। অদুনা মীওইপোক্তা পোক্লবা ঐখোয়না হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক্কী ওইবা কান্নগদবা থবক খরদা ওইরবসু তৌরম্মু মীংচৎ উরোং খিলহৌনবা হায়নরিবনি। মণিপুরগী কবি কয়াবু ঐখোয়না নীংশিংলি। মখোয়শিংদুগী মরক্তা খরদং পল্লবদা অঙাংহল, গুনো, কমল, চাউবা, সমরেন্দ্র, রতন অমদি অতৈ অতৈ। মণিপুরগী মশক নাইবা মীওই খরদংগা পল্লবদা গম্ভির সিংহ, নরসিংহ, নেতা ইরাবত, পাওনা ব্রজবাসি, টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল মখোয় পূম্নমক মণিপুরগী লৈমায়দগী থুপখ্রে অদুবু মখোয়গী মীংচৎতি লেংদনা ঙসি ফাওবা লৈহৌরি। মীংচৎ হায়বসি অফবগীতসু নত্তে, ফৎতবগীসু লৈ। অদুনা অফবা লৈবগী ফত্তবা লৈবনি। অৱাবা লৈবগী নুংঙাইবসু লৈবনি। পুন্সিদা অৱা নুংঙাই অনীসি শুকথা থাদোক্লবা য়াদে। মীওইবা ঐখোয়সি দশাগী মনাইনি হায়নরিবনি।

অরোইবদা থমজনীংবদি, ঐখোয় লোয়না শিগদবা ঙাক্তনি। অকোন অহানগী ৱাতনি। নারবসু নাদ্রবসু। নারগা পুন্সিদা ৱানা শিগদবগী শরুকপুদি নাদনা শিবনা হেন্না ফৈ। মসি মতম কুইনা নারবা ক্রোনিক দিজিজ ওইরবা কয়াগী ৱাখলনি। অদুবু কমদৌনি ঈশ্বরনদি অসুম থোকউ হায়না তম্বীরম্লে। মসি কনানসু খঙনদে। মপু মাতনা লোয়না খঙই। ঐখোয় তাইবঙ মীওইবা অসি শক-চু মান্নদে অদুনা লায়নাসু মান্নদে, ৱাখলসু মান্নদে। মীওইবা ঐখোয়দা লায়না মখল মখল নাহল্লি। লায়েংবদা শেল য়াম্না চঙবসু লৈ, চঙদবসু লৈ। লায়না ময়াম অসি ঙাকথোক্লবা হোৎনবদনি চঙলিবা শেলশিং। নারে হায়দুনা তুমিন্না লৈথোকপা য়াদে। লায়েংবদা ঙমদবা লৈতে হায়নৈ অদুবু লায়নাদুনা য়াম্না শোকচিনখিবা ওইরবদি লায়েংবা ঙমদে। হকচাং ফবনা খ্বাইদগী অথোইবা লননি। মরম অদুনা হকচাং ফনা থমগে হায়রবদি ঐখোয় অফবা চিঞ্জাক চাবা, হকচাং শাজেল তৌবা অমদি নুংঙাইবা ৱাখল খন্দুনা নাদনবা হোৎনবা তাই।

---

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মণিপুরগী ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরদা পীজবা মেমোরেন্দম

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ইকায়খুম্নবগী** মশক ওইরবা মণিপুর লৈঙাকপু লুচিংবীরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী মরু ওইবা ৱাফম খরদং নোল্লুক্লা হায়জরি মদুদি ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ইলেক্সন হেক লোইখিবদগী ঙসি ফাওবগী মনুংদা হায়বদি চহী ৫ রোম ফারক্লবা মতম অসি ফাওবদা কুম্বী বজারদগী কেন্দ্র অসিগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংগা ফাওনরিবা মরু ওইবা লম্বীশিং অয়াম্বা মপূং ফানা শেমগৎপীদবনা ঙসি ফাওবা চহী ৫ অসিদা কয়লা থাদ্রি। অদুগা লমদম অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা কুম্বী-মোইরাং লম্বী মতম কুইনগী মমাঙদগী পাকা লৌরগা কয়লা থাদবা অসিনা অমুক্কা হেন্না মীচম মীয়ামশিংনা অৱাবা মায়োক্নরি।

লম্বীশিং অসিদা চৎলিবা মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিং মরু ওইনা মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়ামশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংথিবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবদগী মসিবু কোক্লনবগীদমক অদোমগী লৈঙাক্তা শরুক য়ারিবা কুম্বী কেন্দ্র অসিগী ইকায়খুম্নজরিবা লোকেল এম এল এ সনসম বিরা সিংহদা কয়ারক হন্না মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়ামশিংনা হায়জখ্রবসু থবক ওইনা ওন্থোক্তবদগী হৌখিবা ওক্টোবর ১৬, ২০১৬ গী অয়ূক পুং ৫ দগী কুম্বী অমদি মসিগী মরু ওইবা লম্বী পূম্নমক বজার য়াওনা **কুম্বী অপূনবা নুপী লূপ (কানুল)** অমদি **কুম্বী কৈথেলদা পোৎফম ফম্বী ইমা-ইবেলশিং** অমদি **ক্লব ওর্গেনাইজেসন** কয়ানা লুচিংলগা মীচম মীয়ামশিংগা লোয়ননা চঙশিল্লিবা মতম কক্তনা বন্দ অসিনা নোংমগী শুর-নোল্লগা তাঞ্জরিবা লমদম অসিগী মীচম মীয়ামশিং হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্নরে।

লোয়ননা চহী খরগী মমাঙদগী কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১ দগী ৱার্দ নম্বর ৯ ফাওবগী এরিয়াদা পি দি এগী মখাদা পায়খৎলিবা অয়াম্বা লম্বীশিং পাকা লৌখিবদি কুইরগা ঙসি ফাওবা কয়লা থাবিদ্রে। কুম্বীগী লৈরক অয়াম্বা হান্না লৈজরম্বা কয়লাগী লম্বীশিং পি দি এনা মসিগী মথক্তা পকা লৌরগা কয়লা থাদনা কুইনা থম্বীবা অসিনা নোং তারকপা মতমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা লৈখোম-লৈনাং থোক্তুনা লমদম অসিগী মীচম মীয়ামশিং হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। লোয়ননা ৱার্ক প্রোগ্রামদা য়াওবা তোঙান তোঙানবা ৱার্দকী লম্বী কয়াসু হৌজিক ফাওবা করিমত্তা শেমগৎপীদনা লৈবা য়াওরিবসি কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা হকচিন্না লৌই।

অসি য়ৌনা মীচম মীয়ামশিংনা বন্দগী অৱাবা মায়োক্নরিবা ফীভম অসিবু ঙসিগা থানা নুমিৎ ৪ নি শুরবা মতম অসি ফাওবদা হকথেংননা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনদবা কেন্দ্র অসিগী লোকেল এম এল এ সনসম বিরা সিংহগী থৌওং কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা য়ানিংদে। থংনবা মোইরাং কেন্দ্রগী ইকায়খুম্নজরবা এম এল এ মাইরেম্বম পৃথিবীরাজনা মহাক্কী কেন্দ্র মোইরাংগীদমক প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াগী মমাঙদা মীচম মীয়ামশিংগীদমক লম্বী শেম্নবগীদমক লাউথোকখিবা ফিরেপ থাগৎনীংঙাইনি। অদুবু ঐখোয়গী কেন্দ্রগীদি ঙসি ফাওবা ৱাফম অমত্তা মীচম মীয়ামশিংগীদমক ফোঙদোক্তনা লৈবা অমদি বন্দ তৌরিবা ইমা ইবেলশিংগা য়াশিন্ননবা শিনবীদবা থৌওং মীচম মীয়ামশিংবু নুংশিবগী খুদম নত্তে।

চহী ৫ গী মনুংদা অমুক্তা ওইরবসু হায়রিবা কুম্বী বজারদগী কেন্দ্র অসিগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংগা ফাওনরিবা মরু ওইবা লম্বীশিং অসি কয়লা থাবীদবদগী **কুম্বী অপূনবা নুপী লূপ (কানুল)** অমদি **কুম্বী কৈথেলদা পোৎফম ফম্বী ইমা-ইবেলশিং** অমদি **ক্লব ওর্গেনাইজেসন** কয়ানা কেন্দ্র অসিগী লোকেল এম এল এ সনসম বিরা সিংহবু পেন্দদুনা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬, ২০১৬ দগী সোসিয়েল বোয়কোট তৌবগী খোঙজংসু হৌজিক চঙশিল্লি। মসিদা লোকেল এম এল এনা ঈহৌ হৌরিবশিংগা য়াশিন্নবা পুরকপগী মহুৎতা করিমত্তা নাচুংদনা লৈথোকপা অসিনা লমদম অসিগী মীচম মীয়ামশিং বন্দগী চৈথেং ফংবা ঙসিগা থানা নুমিৎ ৪ নি শুরে।

***হৌখিবা ওক্টোবর ৩, ২০১৬ দা কুম্বী বজারদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কোংগ্রেসকী পোলিটিকেল কনফরেন্সতা শরুক য়াবা লাকপীখিবা ইকায়খুম্নবগী মশক ওইরবা মণিপুর লৈঙাকপু লুচিংবীরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা নুমিৎ অদুগী মিটিংদা হায়রিবা মরু ওইবা লম্বীশিং অসিগী মতাংদা লমদমসিগী মীচম মীয়ামশিংগী থম্মোয়দা ফাওরিবা লম্বী ফৎতবগী নুংঙাইতবা কয়া অদু উবীদুনা অথুবা মতমদা কোকহল্লগনি হায়বিরম্লগা ঙসিগা থানা নুমিৎ ১৭ নি শুরবা ফাওবদা হন্না য়েংবীদবা থৌওং কুম্বী অমদি মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়ামশিংনা হায়নিংঙাই লৈতনা ৱারৌই।***

অরোইবদা, ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক হৌজিক কুম্বী কেন্দ্রগী ময়োল সেন্টর কুম্বীদা থোক্লিবা ঈরাং অসি ঙসিমক মিৎয়েং চঙবীদুনা মৈরিকপীদগী মৈজাও হৌদনবা হোৎনবীয়ু হায়না কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অদোমগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

হীরম অসিদা মরী নৈবা মিনিষ্টর, চ্যেরমেন অমদি ওফিসিয়েলনচিংবসু অকনবা মিৎয়েং চঙবীয়ু। ১১ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ইলেক্সন মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্ত্রিঙৈদা কুম্বী অমদি মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়ামশিংগী অৱাবশিং অসি মপূং ফানা কোকহনবীয়ু হায়না অমুক্কা হন্না ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মণিপুর লৈঙাকপু লুচিংবীরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা নোল্লুক্লা হায়জরি।

***অদোমগী - এন ইবেচা দেবী,*** চ্যেরপার্সন, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ***দল্লিয়ু সি বোবিচান্দ লুৱাঙ,*** ভাইস চ্যেরপার্সন, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ***এস ইনাওচা মীতৈ,*** প্রসিদেন্ট, য়ুনাইটেদ ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি মেম্বরস ফোরম, কুম্বী ৱার্দ নম্বর ১-৯, ***এন গ্যানেশ্বর সিংহ,*** সেক্রেটরি, য়ুনাইটেদ ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি মেম্বরস ফোরম, কুম্বী ৱার্দ নম্বর ১-৯